# পরেশ বরুৱা চিনাগী হোস্পিটাল অমদা লায়েঙলি





গুৱাহাতি, মার্চ ২৯ঃ
অসামগী লালহৌলূপ উলফা (য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম-ইন্দিপেন্দেস) কী মিলিটরি ৱিংগী চীফ পরেশ বরুৱা হৌজিক ফাওবা চিনাগী হোস্পিটাল অমদা লায়েং চংখরি হায়রি।

ইন্টেলিজেন্স লিখুলগী মতুং ইন্না হৌ-খবা চহীগী লোইরমদাইদা চিনাগা ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈগী রুইলি মনাক্তা থোকখিবা মোটোর সাইকল এক্সিদেন্ট অমদা পরেশ বরুৱা অরুবা ফিভমদা শোকখিবনি হায়রি।

মহাক্কী অশোকপশিং অদু কমপ্লিকেসনশিং থোক্লকপদগী চিনাগী হোস্পিটাল অমদা মখা তাবা লায়েং চংখবনি হায়রি।

পাউসিগী মতুং ইন্না চিনাগী য়ুনান প্রোভিন্সকী রুইলিগী খা -নোংচুপ্তা কিলোমিটর ৬ লাপ্পা জিয়েগাও দা লৈবা ফার্ষ্ট পিপলস হোস্পিটালদা পরেশ বরুৱা লায়েংলক্লি। হোস্পিটাল অদুদা মহাক লায়েংলকখিবা অদু হৌজিক থা কয়ামরুম শুরক্লে হায়রি।

মোটোর সাইকল এক্সিদেন্ট অদুদা পরেশ বরুৱাগী থবাক্কী শরুকশিং য়াওনা খোঙ-খূৎকী শরু শোকখি মদু লায়েংনবগীদমক মহাকপু গুৱানজেৌদা লৈবা সাউর্দন মেদিকেল য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালদা পুখি। শরু তেপশিং অদু ফরকখিবগা মহাক অমুক হোস্পিটাল অদুদগী দিচাজ তৌরকখ্রে অমসুং রুইলিদগী থোইনা লাপ্তবা ম্যানম্যার ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা টেনচোংদা হল্লকখি।

অদুবু মহাক দাইবেটিস লায়নাসু লৈবা মরমদগী উলফা আইগী মিলিটরি কম্মান্দর ইন- চীফ অসি অতৈ কমপ্লিকেসনশিং থোক্লকখি মরম অদুদগী মহাক চিনাগী অনকপা হোস্পিটাল অমদা অমুক হন্না লায়েঙবদা তাখিবনি।

পনবা য়াবদি রুইলি হায়রিবা সহরগী টাউন অসি ২০০৯দগী হৌনা পরেশ বরুৱানা অতোপ্পা মফমশিংগা পাউ ফাওনবদা শিজিন্নখিবা মফমনি।

বাংলাদেশকী শৈখ হসিনানা লূচিংবা অৱামী লিগ গভর্ণমেন্টনা অৱাং নোংপোক লালহৌবশিংগী মথক্তা চংখরকপা অকনবা ওপরেসন অমা উলফানা ময়োক্লখিবদগী ২০০৯দা পরেশ বরুৱানা ম্যান্মারদা অমুক মফম হোংদোক্লকতুনা মহাক তেনচোংদা লৈরক-খবনি।

মহাক্কী হকচাংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা ম্যান্মার আর্মিনা সাগাইং প্রোভিন্সকী তাগাদা চংখরকখিবা ওপরেস অদুনা থোকহনখিবা ফিভম অদু পরেশ বরুৱানা নীংথিজনা য়েংশিনবা ঙমখিদ্রে।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারিদা এন এস সি এন -কেগী হেদক্বার্টরস লৈরিবা তাগাদা ম্যান্মার অর্মিনা অচৌবা ওপরেসন অমা চংখি।

২০১২তা এন এস সি এন -কেনা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকা সহি তৌনখিবা সিজ ফয়ার অমা কাইহনবা পামদবা মরমদগী ম্যান্মার আর্মিনা এন এস সি এ -কেগী হেদক্বার্টরস খুদম চনি-খবদুগী ময়োক্তা লালহৌ লূপ অসিনা লেপখিদে।

অদুবু তাগাদা বৈলা উলফাগী বেজ শিংদা চংখরকপা ম্যান্মার আর্মিগী এটেক অদু উলফানা ময়োক্লনবা হোৎনখি অমসুং ম্যান্মার অর্মিগা খূৎ থোক্লখি। মদুদা মখোয়গী মেজর জ্যোতিরমোই অসোম য়াওনা ফাইটর খরা শিখি।

মদুগী মতূংদগী অতৈ উলফা আইগী ফাইটরশিং হৌজিক চেন্দুনা লৈরি অমসুং ওথোরিটিজদা হৌজিক ফাওবদা সুপ্নগী উলফা ফাইটর ৯ সরেন্দর তৌখ্রে হায়রি।

# কুন্থ্রানিপালশুবা ৱার্ল্ড টি বি দে পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল,মার্চ ২৯(এস এন এস) ঃ
নেসনেল হেল্থ মিসন,ষ্টেট টি বি সেল,ইন্দিয়ান মেডিকেল এসোসিয়েসন,দিষ্ট্রিক্ট টি বি সেন্টর ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টনা পুন্না শীন্দুনা ইষ্ট টাইম, ইন্দ টি বি হায়বা থিমদা ৩৮শুবা ৱার্ল্ড টি বি দেগী থৌরম ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইমা হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরী এম ঐচ খাননা চীফ গেষ্ট, হেল্থ সার্ভিসকী দাইরেক্টর ডা কে রাজোনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অমসুং নেস্নেল হেল্থ মিসনগী ষ্টেট মিসন দাইরেক্টর এস মনিকান্ত অমসুং ইমা মণিপুর ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা ব্রোজেন অকোইজমনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এম ঐচ খাননা ফোঙদোকখিবদা,ষ্টেট অসিদা থেংনরিবা পব্লিক হেল্থ ইশুশিং অসি থেংনবদা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবা চঙই। লোয়নননা টি বি লায়না অসি মরু ফঙনা মুখৎনবা হোৎনবদা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা অফবা মরী থম্না মথৌ তাই। ষ্টেট অসিদা মরী লৈনবা ওঠোরিটিজশিংনা মতিক চাবা প্লানিং অমগী মখাদা থবক তৌবা তারবদি ষ্টেট অসিদা থেংনরিবা হেল্থ ইশুশিং অমসুং হকশেলগা মরী লৈনবা প্রোগ্রামশিং মপুং ফানা চৎনহনবা ঙমগনি।

ষ্টেট অসিদা পায়খৎলিবা টি বি মুখৎনবা খোঙথাং অসিগী মনুং চন্না টি বি লায়না অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী খঙদোকহৌরবদি মপুং ফানা ঙাকথোকপা ঙমগনি। লোয়ননা ষ্টেট লৈঙাক্না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা অঞ্জা মতেং পাঙগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা ডা কে রাজোনা লৈবাক অসিদগী অমসুং মালেমগী ওইনা টি বি লায়না অসি ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মুখৎনবা পান্দম থল্লি। মসিগীদমক ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)না থল্লিবা পান্দম অদুদগী চহী ৫ ঙনখৎলিবনি অমসুং লৈবাক অসিদা অমদি মালেমগী ওইনা পান্দম অসি ফঙদুনা টি বি মরু ফঙনা মুখৎনবা কন্না হোৎনরি হায়নসু মখা তাখি।

# এমসুগী নৌনা থৌ পুগদবা থৌমীশিং ৱাশক লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ ঃ লমদম অসিগী মহৈরোই লূপ অমা ওইরিবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (এমসু) গী ২০১৯-২১গীদমক থৌ পুগদবা থৌমীশিং ঙসি ৱাশক লৌখ্রে।

ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু ঙসি দিএম কেম্পস মনুংদা লৈবা এমসুগী হেদ ওফিসতা মহৈরোইলুপ অসিগী হন্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মণিপুর কোলেজকী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর লাইরেঞ্জম গোজেন্দ্রোনা নৌনা থৌ পুগদবশিং অদু ৱাশক লৌ-খবনি। লোয়ননা মমাংদা মহৈরোই লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মঞ্জিৎ সরাংথেমনা ২০১৯-২১ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা নৌনা থৌ পুনবগীদমক খল্লবা পিটর লাইশ্রমদা প্রসিদেন্টগী চার্জ সু শিন্নখি।

ঙসি ৱাশক লৌখ্রবা মহৈরোই লুপ অসিগী থৌমীশিং অদুদি প্রসিদেন্ট ওইনা পিটর লাইশ্রম, ভাইস প্রসিদেন্টদা হুইরোংবম প্রিয়ান্দ, মকাকময়ুম অব্দুল হকিম, সেক্রেটরী জেনরেলদা বিপিনচন্দ্র অহন্থেম জোইন্ট সেক্রেটরীদা য়ুম-খাইবম বিজানদো, মোইরাংথেম প্রবিন, ফাইনান্স সেক্রেটরীদা সিঘাম জিটেশ্বর, ঐচ আর দি সেক্রেটরীদা পেবম ক্রুস, এক্সটরনেল এফিয়র্স সেক্রেটরীদা য়াম্নেম পাওলজিৎ সিংহ, ৱুমেন এফিয়র্স সেক্রেটরীদা মোইরাংথেম মোনালিসা চানু, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরীদা ইরোম কেনেদি, পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরীদা লুনপাও লুফেং, লাইব্রেরী এন্দ দোকুমেন্টেসন সেক্রেটরীদা কাংগুজম রোহেনজিৎ, ওদিটর জেনরেলদা থোংঙাম অনিলকুমার, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরীদা খাইদেম ধনাচন্দ্র, নোংমাইথেম য়াইফবী অমদি ওফিস সেক্রেটরীদা নিংথৌজম প্রিয়োবর্ত্তনি।

মহৈরোই লুপ অসিগী ঙসি অরি-অনৌ শিন্নবগী থৌরম অদুদা লাইরেঞ্জম গোজেন্দ্রোনা প্রোটেম স্পিকর, মহৈরোই লুপ অসিগী হন্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা মঞ্জিৎ মরাংথেমনা প্রসিদেন্ট অমদি এমসুগী হান্নগী সেক্রেটরী জেনরেলসু ওইরম্বা এমসু রিতরিং ওফিসর ৪৫ জেনরেল ইলেক্সন এদভোকেট ওইনাম রতন, এমসুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ইরেংবম জেমসবোন্দ মঙাং অমসুং থোকচোম সুরেসনা গেষ্ট লফ ওন্নরিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা মহৈরোইলুপ অসিগী নৌনা প্রসিদেন্টগী থৌ পুরিবা পিটর লাইশ্রমনা ফোঙদোকখিবদা এমসুনা তোঙান তোঙানবা ঈশু কয়াদা লমদম অসিগীদমক অমদি মহৈরোই খুনাইগীদমক চংশিন্দুনা লাক্লি। ঙসিসু মহৈরোই লুপ অসিনা লমদম অসিগী অমদি মহৈরোই খুনাইগীদমক চংশিন্দুনা লাক্লি। ঙসিসু মহৈরোই লুপ অসিনা লমদম অসিগী অমদি মহৈরোই খুনাইগীদমক মতিং লৈনা পুন্নমক থেংনগনি।

গো বেক ফোরেনর হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখি। অদুবু মসিগী তাইওন্নবদা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল চৎনহন্নবা হোৎনরকখি। মহৈরোই অমদি লৈবাক মীয়াম্না পুন্না বিল অসিগী ময়োক্তা লেপখিবদগী রাইজ্য সভাদা পুথোকপা ঙমখিদবনি। লোয়ননা মখাতানা হায়রিবা বিল অসি চংনহন্নবা হোৎনরকপসু য়ারোই। করিগুম্বা চংনহান্নবা হোৎরক্লবসু বিল অসিগী ময়োক্তা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্কনি।

লৈবাক অসিগী অমিদি য়েলহৌ ফুরুপ অসিগীদমক মহৈরোই লুপ অসিনা মাংজিন থানা তোঙান তোঙানবা ঈশুশিংদা থেংনগনি। মসিদা নত্তনা এদুকেসন সেক্টরদা অসুকী মতিক মোংলিবা অসি শেমদোক্লবগীদমক অকনবা মীৎয়েংসু চংগনি লোয়ননা অরানবা তৌরম্না পুন্নমক শেমদোক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# কিসোরচন্দ্র ৱাংখেমগী জজমেন্ট ওর্দর থুনা লাউথোকপীয়ু

ইম্ফাল, মার্চ ২৯(এস এন এস) ঃ হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী স্পিসিয়েল বেঞ্চনা কিসোরচন্দ্র ৱাংখেমগী জজমেন্ট রিজর্ব থম্লিবা অদু অথুবা মতমদা জজমেন্ট লাউথোকপীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী গেটতা কংলৈ কনবা লুপা (কে কে এল) না সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোকখ্রে।

ঙসি অয়ুক্তা পাঙথোকপা সাইলেন্ট সিট ইন প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবা প্রোটেষ্টরশিংগী মচিনদা অমুবা ফিনা পুনশিনদুনা অমসুং প্লেকার্দ কয়াদা জজমেন্ট থুনা লাউথোকপীয়ু থাবসু শিজিন্নখি।

কংলৈ কনবা লূপকী জেনরেল সেক্রেটরী কংলৈপাকপা লুৱাংনা ফোঙদোরকপা, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী স্পিসিয়েল বেঞ্জনা কিসোরচন্দ্র ৱাংখেমগী জজমেন্ট ওর্দর রিজর্ব থম্লক্লিবা মতম অসি য়াম্না কুইশিল্লক্লে। মখাতানা কয়াম কুইনা জজমেন্ট ওর্দর অসি রিজর্ব থমবিখিগদবনো ? হায়নবা লৈ - জষ্টিস দিলে তৌবা হায়বসি জষ্টিস দিনাই তৌবনি। কে কে এল না কিসোরচন্দ্রগীদমক্তা লেপলি। ঙসি কে কে এল না সাইলেন্ট প্রোটেষ্ট চংখরিবসি কিসোরচন্দ্রগী জজমেন্ট ওর্দর অদু থুনা লাউথোকপীয়ু হায়বগীনি।

মেজিষ্ট্রেটনা মহাকপু এক্সুস অদুগী ভেদিওদা য়াওখিবা ৱাহৈশিং, গেষ্টর অদুবু সেদিটিস ওইদে হায়দুনা কুমজা ২০১৮গী নভেম্বর ২৬তা মেজিষ্ট্রেটনা মহাকপু রিলিস তৌরকখ্রবনি।

অদুবু কিসোরচন্দ্র ৱাংখেম অমুক হন্না ফারবা তুংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টনা মহাক্কী মথক্তা এন এস এ দিটেন তৌখিবনি।

# জয়কিষন: বি জে পিগী আউটর মীরেপ বেঞ্জামিন...

লমায় ১গী মখা

সেন্সস অদুগী হেক মতুংদা দিলিমিটেসন (এসেমব্লি সেগমেন্ট খায়দোক-খায়জিন) তৌগনি। মতমদুদদা কুকিগী এম এল এ মশীং হেনগৎহন্নবগীদমক মণিপুরদা কুকিগী এম পি অমা মথৌ তাই।

অনীশুবদা,নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি পীক্কেরা-চাউগেরা শোয়দনা খূৎয়েক পীনখ্রগনি। মরম অদুনা কুকিশিংগীসু হেন্না চাওবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক মণিপুরদা কুকিগী এম পি অমা থাবগী তঙাই ফদবা লৈ।

অহুমশুবদা,কুকি ফুরুপকী ওইবা অনৌবা দিষ্ট্রিষ্ট অমা ফঙ-খ্রবনিনা কুকিশিংগী ওইনা ফাইনান্সি-য়েল,স্পিসিয়েল পেকেজ অমা লৌননবগীদমক কুকিগী এম পি অমা লৈহনবগী তঙাই ফদে।

মরিশুবদা,ইন্দিয়াগা ম্যান্মারগা অফবা মরী লৈনরক্লিবা অসিনা মণিপুরগা ম্যান্মারগগী ঙমখৈদা খুনদারিবা কুকিশিংগীদমক বোর্ডর হব অমসুং কর্ম্মসিয়েল হব শেম্নবগী তঙাই ফদবা লৈরে।

মঙাশুবদা,নাগা অমসুং মৈতৈগী দিষ্ট্রিক্ট ফাওদনা কুকিশিংগী খুলশিং ফাওনবা লম্বী অমা শেমগনি।

তরুকশুবদা,জিরি অমসুং মোরেগী কর্ম্মসিয়েল হব অসি কুকিশিংনা কন্ট্রোল তৌগদবনি।

জয়কিষননা মখা তানা হায়-খ,মণিপুরদা য়েলহৌঙৈদগী নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরক্লবা মৈতৈ অমসুং নাগাবু তোকখায়না থম্লগা কুকি খক্তগী ওইবা মিৎয়েংদা থবক তৌগনি হায়রিবা ৱাফম অসি লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক তৌবনি। মরম অদুনা মহাক লৈঙাক অসিনা ফাগদবনি। কিশ্বরচান্দ ৱাঙ্খেমচা কৌবা পাউমী অমনা মহাক্কী অনীংবা-অপাম্বা ৱাখল খরখক ফোঙদোক্লবদগীদমক ফাজিনবিখি। কোর্ট অমনা মহাক্কী ৱাফম অদু লৈবাক্কী মায়োক্তা ৱা ঙাংবা নত্তে হায়খ্রবা ফাওবা নমদুনা ফাজিনখ্রগা নেস্নেল সেক্যুরিটি এক্টকী মখাদা কৈশুমশঙদা থমজিল্লি। অদুগা লৈবাক কায়বা য়াবা,থুগায়নবগী ৱাখল্লোন শন্দোকপা মীওইবুনা লৈবঙাক অসিনা ফাদ্রিবগী মরম করিগীনো হায়না মহাক্লা হংখি। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি টেরোরিষ্টশিংনা হায়বা থবক তৌরে হায়না মরাল শীরদুনা কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই অসিনা হায়,কুকি লালহৌলূপশিংনা টিকেৎ পীয়ু হায়বা মীশক অমদা বি জে পিনা টিকেৎ পীশিল্লি। ষ্টেট এসেমব্লিদা মহাক্লা পু-খৎখিবা ৱাখল অমা হায়বদি, মোরেদা লৈরিবা সোপ্পিং মোল অসি করিগী হাংদবনো হায়বদা চীফ মিনিষ্টরনা 'শোল্লিদি হায়গনি অদুবু কনাগুম্না খরনা অথিংবা লৈবদগী হাংদবনি' হায়না খুমখি।

মসিনা তাক্লিবদি টেরোরিষ্ট কাঙবু অমনা হায়বা থবক লৈঙাক অসিদা তৌই। ইন্দিয়াগী লান্মী কয়া, পুলিস কয়া হাৎলিবা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংগা বি জে পি লৈঙাক্লা মরী লৈনৈ হায়বসি অসিগুম্বা ফিভমশিং অসিদা করম্না হায়রোইদৌরিবনো। ভোট কাননবা মৈতৈ অমসুং নাগা নাথৈদুনা থম্লগা কুকি ঙাক্তগী ভোট অমা পি জে পিনা খোল্লি। হিরম অসিগী মতাংদা বি জে পিনা শেংদোকফম থোকই।বি জে পিগী লৈঙাক অসি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা থবক তৌই হায়না মরাল শীদুনা মহাক্লা হায়খি,লৈঙাক অসিনা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা এম এল এশিং খোমজিল্লগা লৈঙাক পায়রি। মখোয়না কন্সটিট্যুসনবু ইকায়-খুম্নবা ওইরগদি এম এল এগী ফম থাদোকউ, নৌনা মীখল থেংনৌ,ভোট কাব্রা য়েংশি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা বি জে পিদি হায়দোকখিবা ৱা ঙাক্লবা থবক তৌই,ৱা ঙাক্তে হায়বদু খুদোম্বী থিল্লগা তাক্লগদি ফম থাদোক্লে হায়খিবদু ঙম্লোইদবা ৱাফম্নি।

অরাপ্পদা নৎত্রবা অনকপদা খুদম অমা পীরদুনা মহাক্লা হায়খি,হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসেমব্লিগী বজেট সেসনদা রিমস রোদ অসি মার্চকী অহানবা চয়োল ফাওবদা থবক হৌরগনি, টেন্দর পীখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রগা হৌজিক ফাওবা থবক হৌদ্রি। নন-প্লানগী মখাদা লুপা ক্রোর কয়ামরুম কাইথোককখিবা লাঙ্গোল তাবা লম্বীগী ফিভম হৌজিকসু শাথীনা ফত্তে। কোংগ্রেসকী মতমদা অশুক ফত্তবা লম্বীসি থম্না ঙমখিদবনি।

অফস্পা লৌথোক্কনি হায়দুনা ২০১৭কী ইলেক্সন মতমদা বি জে পিনা লাউখি। ভিজন দোক্যুমেন্টতা হাপখি। অদুগা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসেমব্লিগী বজেট মীফমদা মহাক মশানা অফস্পা লৌথোক্লনবা হায়াউসতা পুখৎখিবা প্রাইভেট মেম্বর রিজোলুসন অমদা অফস্পা লৌথোকসি হায়বা য়াখিদে।

ইমপ্লোয়শিংদা তরেৎশুবা পে কম্মিসনগী তলব পীগনি হায়দুনা ভোট খোমখ্রগা লৈঙাক পায়রবা মতুংদা অনৌবা তলব পীসি হায়বা য়াখিদে। পুন্নমক অসিনা তাক্লিবদি বি জে পি হায়রিবা পার্টি অসিদি মীয়ামদা ওইদ-পাদবা ঙাংলগা ভোট ফঙনবা হোৎনবা পার্টিনি হায়বসি ময়েক শেংলে।

# এম পি ফন্দ শীজিন্নফমগী হ্বাইট পেপর পুথোকপা...

লমায় ১গী মখা

অহুম লৈবা মীনি। অসিগুম্বা কেস লৈবা মীওই অমবু কোংগ্রেসনা মীহুৎ অমা ওইনা পুথোক্লিবসি লৈবাক অসি মাংনবা শীনবনি।

কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা হন্দক ইম্ফালদা লাক্লম্বা রাহুল গান্ধীনা মীয়ামগী য়াইফনবা য়াম্না খনবা শারন্নিবা অদু মখোয়না সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিঙৈদদি মীয়ামগী করিসু তৌরমদ্রগা হৌজিক্লা করিগী মীয়ামগী খনবা শাদুনা ওইদবা ঙাংলিবনো?নরেন্দ্র মোডিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা মীয়াদা একাউন্ট হাংহল্লগা শেল হাপকনি হায়খিবা লৈতে। মীয়াদা একাউন্ট হাংহল্লিবা অদুদি সপসিদি অমদি মতম-মতমগী স্কিম কয়াগী শেল চঙলক্লবা হাংহনখিবনি। বি জে পিবু ধর্ম্ম অমদা বেজ তৌবনি জাৎ-বিজাৎ নাইবনি হায়না তোইনা ঙাংনরিবসি বি জে পিবু কল্লকপদগীনি। ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা চহী অনী লৈরক্লবা অসিদা কনাগুম্বা অমত্তা হিন্দু ধর্ম্ম ওনগদবনি হায়বা লৈতে। মানা-মানা চাজবা চিঙ্গাক্তা চাবা য়ারোই হায়খিবা লৈতে। ৱান ইন্দিয়া ৱান মণিপুর হায়বা ৱাখল্লোন্দা কোংগ্রেস মচোই-মচোই তাহল্লম্বা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর অমুক হন্না পুনশিন্দুনা য়াম্না ইংনা-চিক্না নুংঙাইনা লৈবা লৈবাক অমা ওইরকপসিদা কল্লক্তুনা পঙহাই হায়বনি।

কোংগ্রেসনা চহী ১৫ ষ্টেট অসিদা পাল্লম্বদা চীং-তম খাইবুম-খাইবুম তাহল্লম্রিবনি। মণিপুর অমদি সেন্টরদা কোংগ্রেস হল্লকপা ঙমখিরোই। বি জে পিগী আউটরগী মীরেপ ঐচ এস বেঞ্জামিন মাতে য়াম্না নহা ওইবা মীয়ামগী খনবা মীওইনি। চীং-তম,জাৎ-বিজাৎ খেন্নবা লৈতে। তম্পাক্কী কেন্দ্র তরেৎ আউটরদা চিংদুনা ভোটতং থাদবা য়াবা লেপ্পদি য়াদবশিং অসিগী কোংগ্রেসকী এম পিনা করিঙৈদো করিসু হন্না য়েংবীরমদে। অদুবু বেঞ্জামিনদদি অদুগুম্বগী ৱাখল লৈতবা মান্নবা মিৎয়েংদা থবক তৌবা পাম্বা মীশক্লি। মীয়াম্না ভোট নুমিত্তা অফবা মীহুৎ খন্দুনা অফবা মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগীদমক শোয়দনা ভোট থাদবীয়ু হায়খি। ফ্লেগ হোষ্টিংগী থৌরমদুদা থৌরম মপু ওইখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট অমসুং রাজ্য সভাগী এম পি কে ভবানন্দনা হায়,কোংগ্রেসতি লৈঙাক পায়বসু হৈতবা,ওপোজিসনদা লৈবসু হৈতবা,হিরম অমত্তদা চন্নদবা পার্টিনি। হন্দক পাঙথোক্লদৌরিবা ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদসু বি জে পিনা চাওনা মায় পাক্লনা নরেন্দ্র মোডি অমুক হল্লকখিগনি। মণিপুরদসু ইন্নর অমসুং আউটর কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীমক্তা বি জে পিনা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ,ইডুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম,সোসিয়েল ৱেলফিয়ার মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন,এগ্রিকলচর,ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি মিনিষ্টর ভি হঙ্খানলিয়ন,ৱাংজিং তেন্থাগী এম এল এ পাউনম ব্রোজেন,ককচীংগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র,হিয়াংলম কেন্দ্রগী এম এল এ ডা রাধেশ্যাম য়ুম্নাম,থানলোন কেন্দ্রগী এম এল এ ভুংজাগিন ভালটে অমদি বি জে পিগী তোঙান-তোঙানবা য়ুনিট অমদি দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

# নন্দোগী খোঙ্গুল লিবা কোম্বিং ওপরেস চংখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ঃ
কৈশুমশঙদগী পুরক্তুনা জেনিমসতা লায়েংলম্বদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা অন্দর ত্রাইয়েল প্রিজন্নর কে সি পি মণ্ডাল। নন্দো গ্রুপকী চিফ থোকচোম নন্দো এলাইজ ননাওবু (৩৪)গী লিখুন লিবা ওইনা ঙসিসু মখা তানা ইম্ফাল ইষ্ট মফম কয়া য়ুম-য়ুম চংদুনা কোম্বিং ওপরেসন চংখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজম অমসুং এদিস্নেল এ পি (ওপ্স) টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বীগী মীৎয়েং মখাদা দি এস পি (ওপ্স) আর কে চার্লেসনা লুচিংলগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কম্মান্দো, পোরোম্পাট পুলিস, রিজার্ব লাইন অমসুং নুপী পুলিস য়াওবা টিমনা ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা ৱাঙ্খে অঙোম লৈকাইদা ঙসি অয়ুক অকনবদগী হৌনা কোম্বিং ওপরেসন চংখি।

কোম্বিং ওপরেসন অদুদা য়ুম ২২৭ রোমদা চং-চংদুনা য়ুমশিং অদুদা লৈরম্বা মীওই ৬২০ রোম ভেরিফাইদ তৌখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি (ওপ্স) টিঐচ কৃষ্ণতোম্বীনা লুচিংলগা দি এস পি কম্মন্দো থাংকোচোন হাওকিপ, কম্মান্দো ও সি টি খোগেন অমসুং স্পিসিচেল কম্মান্দো টিমনা ইম্ফাল ইষ্টকী শগোলমাঙ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা তরেৎখুল, টাইগর কেম্প অমসুং হেপি ভেলিদা অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা থিবা হুম্বগী থবক চংখি।

হায়রিবা মফমশিং অসিগী য়ুম ৭০ রোমদা চং-চংদুনা লৈরম্বা মীওইশিং ভেরিফাইদ চংখি। মদুদা তরেৎ-খুলদগী চিংনবা মীওই অমা মখা তানা থিজিন্নবা লৌখৎখি।

# মরোল থোক্ত্রবা,ঐচ আই ভিগা শাগোন্ননা হিংলিবা মীওই ১দা মতেং পীনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯(এস এন এস) ঃ মরোল থোক্ত্রবা মনাসু তাদ্রবা অমসুং ঐচ আই ভিগা শাগোন্ননা হিংলিবা অঙাং অমদা সোসিয়েল ৱেলফিয়র দিপার্টমেন্টনা ''দিসএব্লিটি সার্টিফিকেট' য়াওনা পীবা য়াবা মতেং পুন্নমক পীনবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কমিসননা ডাইরেক্টরদা খঙহনখ্রে।

হৌজিক মার্চ ১৪ দা মোরেদা কমিসনগী মোবাইল শিটিং চংথবদা সাগর গজ মাইর কৌবা নুপা অমনা লুঙৌসেন হাওকিপ কৌবা অঙাং অমা পুরক্লগা অঙাং অসি মরোল থোক্তে মনাসু তাদে অদুগা ঐচ আই ভিগসু শাগোন্না হিংলি। মঙোন্দা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মীমান্নদ্রবা মীওইশিংদা পীবা খুদোংচাবা পুন্নমক পীহন্নবা কমিসন্না ডাইরেক্সন পীবিয়ু হায়না পেটিসন অমা পীশিনখি। কমপ্লেনেট ওইরিবা সাগর গজ মাইরগী পেটিসন অদু হৌখিবা মার্চ ২৬তা লৌখৎতুনা প্রোসিদিং চংখরবা মতুংদা মথক্কী দাইরেক্সন অসি পীখিবনি।

সোসিয়েল ৱেলফিয়রগী কমিসনর অমদি দাইরেক্টনা হীরম অসিদা রিপোর্ট অমা এপ্রিল ২৪ ফাওবগী মনুংদা পীখৎলক্লবসু মণিপুর হ্যুমেন রাইট কমিসনগী এক্টিং চিয়রমেন খাইদেম মনিগী প্রোসিদিং অদুনা খঙহনখি।

কেস অসিগী মথংগী প্রোসিদিং এপ্রিল ২৪, ২০১৯ দা অমুক চংথগনি হায়রি।

# মিদ-দে মিল ৱাকর্সগী থা ৯গী ওনোরিয়ম পীথোকউ

ইম্ফাল,মার্চ ২৯ (এস এন এস) ঃ
মিদ-দে মিল ৱার্কস গী থা ৯গী পীথোক্তনা লৈরিবা ওনোরিয়ম অসি অথুবা মতমদা পীথোকপীয়ু হায়না ওল মণিপুর মিদ দে মিল ৱাকর্স এসোসিয়েসন গী প্রসিদেন্ট য়ুম্নাম ওংবী ইন্দ্রানি দেবীনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা মীফমদা ইন্দ্রনি না মখাতানা হায়, হৌজিক ফাওবা পীথোকপীদনা লৈরিবা থা ৯গী ওনোরিয়ম অসি য়াওশঙ মমাঙদা পীথোকপীয়ু হায়দুনা মরী লৈনবদা হায়খিবা লৈ। অদুবু হৌজিক ফাওবদা পীবিদনা লৈরি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনদি শেল খরা থাদোকখ্রে হায়বগী পাউ ফংই। অদুবু অতৈ-অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংগীদি হৌজিক ফাওবা মথোং-মরম খঙদনা লৈরি। অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংগীসু শেল থাদোকপীয়ু।

ইন্দ্রানি না হায়, মণিপুরদা মিদ-দে ৱাকর্স ৬৯৫১ লৈ। ৱাকরশিং অসি চীং অমসুং তম অনীমক্তা মথৌ তৌরিবনি। ৱার্করশিং অসি চীং অমসুং তম অনীমক্তা মথৌ তৌরিবনি। অদুবু চহী অমা মখায় গী ওনোরিয়ম পিবিদবা ঙসিফাওবা থমবিবনি। হায়রিবা চহী অমা মখায়গী মনুংদা থা ৯খক্কী ওনোরিয়ম পীথোক্কে হায়দুনা মরী লৈনবনা এসোসিয়েসন অসিদা থাজবা পীখিবনি।

থা অমদা লুপা লিশিং ১ খক ওনোরিয়ম পীরগা ৱার্করনা থা অমদা নুমিৎ ২০ চাক থোংলিবনি। লুপা লিশিং ১ অসি ফাওবা মতম চানা পীবিদ্রবদি মিদ-দে মিলগী ৱার্করনা করম্না হিংবা ঙমগনি। অতৈ ষ্টেটতদি মিদ দে মিল ৱার্করদা থাদা লুপা লিশিং ১৪ দগী ১৮ ফাওবা ফংনখ্রবনি। অঙাংশিংবু মশা-মউ ফনা, তিঙ্গং-কাইজংদবা থমসি হায়বদি মখোয়দা অফবা চিঙ্গাক পীজসি অদুগা মিদ দে মিল ৱার্কসগী ওনোরিয়মসু মতম চানা পীথোকসি।

# জয়পুরগী 'ওক্তাভ ২০১৯' মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী কলচরেল প্রোগ্রাম উৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ ঃ জয়পুরদা লৈবা জৱাহর কলা কেন্দ্রদা পাঙথোক্কদৌবা নুমিৎ মঙানিগী ওইবা 'ওক্তাক ২০১৯' হৌবা নুমিৎতা মণিপুরগী কলচরেল আইটেম কয়া য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী জগোয় ঈশৈ গী থৌরম কয়া উৎখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী ওইনা উৎখিবা কলচরেল আইটেমশিং অদুদি-মণিপুরী রাস, থাঙ-তা, পুঙ চোলোম অমদি ধোন চোলোমনি।

অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী ওইনা উৎখিবশিংগী মনুংদা অরুনাচল প্রদেসকী রিকাম পাদা, মীজোরামগী চেরাও, অসামগী গোরতাল অমদি বিহু, নাগালেন্দগী খুপেলালি, সিকিমগী তমাং শেল্লো অইগা ত্রিপুরাগী সঙরাই গোগ য়াওখি।

নোর্থ জোন কলচরেল সেন্টর পটিয়ালা অমদি জৱাহর কলা কেন্দ্র অনীনা পুন্না শিমিন্নখিবা প্রোগ্রাম অদু রাজস্থানগী টুরিজম, আর্ট, কলচর অমদি লিটরেটরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী শ্রেয়া গুহানা হৌদোকখি।

থৌরমগী লোইশিনলকপদা অৱাং নোংপোক্কী অপুনবা কলচরগী মশক উৎপাগ্রান ফিনালে অমসু পাঙথোকখি।

# ইন্নরদা মীরেপ ১১ লম্বানরগনি,মীরেপশিংগী সিম্বোল...

লমায় ১গী মখা

অকনবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে।

মরক অসিদা ইলেক্সন কম্মিসন্না ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা ভি ভি পেট স্লিপ মশীং থিবগী হৌজিক চৎনরিবা মওং অসি খ্বাইদগী হেন্না শিংথাবা য়াবা অমনি। লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইলেক্সন কম্মিসনদা হায়,এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি খুদিংমক্কী বুঠ অমমম রেন্দম সেম্পল সর্ভেগী মশীং হেনগৎহনবগী মতাংদা মত পীরক্কদবনি। মদুগী পাউখুমদা কম্মিসন্না হায়খি,তুংদা পাঙথোক্লদৌরিবা লৈবাক অসিগী মীখলশিংদা হেন্না শেংনা অমসুং নীংতম্না মীখল পাঙথোকপা ঙম্ননবা পীরকপা পাউতাক খুদিংমক কম্মিসন্না খন্নবা য়াই।

ইলেক্সন কম্মিসন্না মখা তানা হায়,চৎলিবা মার্চ ২৭তা ইলেক্ট্রোনিক মেডিয়াগী খূত্থাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক্কী মীয়ামদা পীখিবা ৱারোল অদুগী মতাংদা কম্মিটি ওফ ওফিসারসনা য়েংশিনগদবা ৱাৎলি। মোডেল কোদ ওফ কন্দক্কী চৎন-পথাপ মতুং ইন্না কম্মিটি ওফ ওফিসারসনা হিরম অদুগী মতাংদা অথুবা মতমদা য়েংশিন্ননবা কম্মিসন্না খঙহনখ্রে।

পনবা য়াবদি,থা অসিগী ২৭তা কম্মিসন্না কম্মিটি অমা শেমদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা লৈবাক্কী মীয়ামদা ইলেক্ট্রোনিক মেডিয়াগী খূত্থাংদা পীখিবা ৱারোল অদু মোডেল কোদ ওফ কন্দক্টা অকায়বা লৈরব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবা থৌরাং তৌখি।

# লৈখিদ্রবা মীওই মচিন-মনাও অনীগী ইমুংগী মীওইদা...

লমায় ১গী মখা

দিভিজন বেন্স অসিনা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিং অমসুং রেস্পোদেন্ট ৱিটনেসশিংনা পিরকপা রিপোর্টশিং অদুসু য়েংশিনখি। লোয়ননা, আসাম রাইফলসকী অর্মি পার্সোনেল অমসুং খুৎলাই পাইবা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপ অনিগী মরক্তা কুমজা ২০০৯গী ওক্তোবর ৩১ অমসুং নভেম্বর ১গী লোন্নবা অহিংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা মখোয় অনি শিখিবনি হায়না রেস্পোদেন্টগী মাইকৈদগী হায়জরবসু পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্টতদি মচিন-মনাও অনি অদু য়াম্না নকপা মফমদগী নত্রগা মশাদা নোংমৈনা নম্লগা কাপনি হায়খিবনি।

মসিদসু নত্তনা থৌদোক থোকফমদগী মশিং য়াম্লবা খুৎলাইশিং, নোংমৈ মরু, এক্সপ্লোসিভ অমসুং ৱেয়ারলেস সেটনচিংবসু নাইট বিজন শিজিন্নরগা অমম্ব মফম অদুদগী মিনিট ১০।১৫গী মনুংদা লৌখৎখি হায়বদু কোর্টনা থাজবা খরা ৱাৎখি। লোয়ননা ক্রোস একজামিনেসন তৌবদা রেস্পোদেন্টগী ৱিটনেসশিং খুম্লকপা পাউখুমশিং অদুসু অমগা অমগা খেৎনবা মান্নদবা অদুসু কোর্টনা মার্ক তৌখিবা লৈখি হায়রি।

# লৈবাক অসিদা দেমোক্রেসিগী মহাও ফঙবা ঙমদ্রি...

লমায় ১গী মখা

শেল খরা লৌরগা ঐখোয়না ভোট থাদখ্রে। ঐনা হিংবদা চঙগদবা পোৎলম খুদিংমক্তগী টেক্স লৌরিবনি। মদুগী শেনফম অদু খোমগৎনবা টেক্সতগী খোমগৎলিবনি। ভোটতা শেল য়েনবা কাঙবুদগী শেল লৌশি হায়রবদি পুং অমখক্কী শেল লৌবগী মহুত্ত চহী মঙাগী শেনফম অদু পাথোক্লগা লৌবিয়ু। মদু পাঙথোকপা মতমদা শেল য়েনবা কাঙবু শেল য়েনবদা লোংনা তাহন্দুনা চৈরাক পীবা তাই।

ঐখোয়না নুংশিনবগী এনভাইরোনমেন্ট অমা শেম্বা তাই। দিভলপমেন্ট পূরক্লবগীদমক মদুগী ইনভাইরোনমেন্ট অমা শেম্বা তঙাইফদে।

আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীরেপ অশং কসারনা হায়, মালেম অসিদা অফবা তৌনিংবা লায়রবা মীওই কয়াগীদমক থবক খরদি তৌগে হায়বগী ৱাখলনা ফাওখি। মণিপুরদা শেল পায়দ্রবদি ইলেক্সন লেপ্পা য়াদে হায়বগী ৱাখল্লোন অসি মরু ফঙনা মুখৎপা চঙগনি।

মীপুম খুদিংমক চপ-মান্নৈ হায়বদি উৎনবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইনা থোকপনি। শেল পায়রে এম এল এ, এম পিগী মীখলদা মীরেপ ওইনবা ইনশিনবদগী ঙসিদি শেঙ্গা-থুমজাগী মকোল শারকপনি। লায়রবা অৱাবগী চৈথেং খঙলবা মীওই অদুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা তারবদি শেঙ্গা-থুমজা কৈদৌঙৈদো তৌরোই। শেল পায়বা মীনা মকোক ওইবা তারবদি লায়রবা মীয়ামগী অৱাবা খঙলোই। মণিপুরদা ঈরাংনা থল্লে,শেঙ্গা-থুমজানা নমশিল্লগা চৎখ্রে। মসি হৌগৎলক্লিবা নহা ওইবা ঐখোয়না হোংদোকহনবা চঙগনি হায়খি। পাঙ্গল কল্লিঙৈদো ইমা লৈবাক্কী সেবা তৌগে হায়না খনখিবনি।

করিগুম্বা পার্লিয়ামেন্টতা চঙবগী খুদোংচাবা পীবিরবদি লমদম অসিগী ইশু কয়া চপ-চানা মায়োক্লগনি। পার্লিয়ামেন্টতা কাচিন্দা ফমদুনা লৈরগা ঐনা অচৌবনি হায়না চৎপগী অদুগুম্বা থবক্তি শুক্তৌ তৌরোই হায়খি।

নেসনেল পার্টিদা য়াওরগা মীগী মমৈদা য়াল্লগা হিংবা পামদবদগী নেসনেল পার্টিদা য়াওদবনি। নেসনেল পার্টিনা লৈঙাক পায়বদগী ঙসি লৈবাক অসি করি ওইরি খঙনরবনি। মদুগী মহুত্ত ইরমদম অসিগী খনগদবা লমদম অসিদগী হৌরকপা রিজনেল পার্টি নত্তনা মণিপুর কনবা ঙম্লোই। ইশু ময়াম অসি থেংনসি হায়রবদি রিজনেল পার্টি মপাঙ্গল কলহনবা তাই। মদুগীদমক থিবদা এন ই আই দি পি অসিদা লাকপনি।

মসিদা কাঙলূপ অমখক্কী ওইবা এজেন্দা মখোয়দা য়াওদে। অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা ঐখোয় মাইনোরিটি ওইবনা ঐখোয়না পুনশিল্লগা লমদম অসিগী য়েলহৌমী কন্নবা হোৎনমিন্নবগী মতম ওইরে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়,লৈঙাক অমা পাল্লবদি চাউখৎ-থৌরাং হায়বসিদি মশানা লাকচরগদবনি। মসিদা ঐনা ভোট কারবদি চাউখৎ-থৌরাং পুরক্কনি হায়রিবা লুচিংবা অদু খ্বাইদগী শোনবনি হায়না লৌবা তাই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এন ই আই দি পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ডা এন জি বিজয়না মীখলগী মেনিফেষ্টোসু মীয়ামদা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা পার্টিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।